# মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০০১দা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা সিনিয়র নেসনল রগবী চেম্পিয়নশিপ্তা ষ্টেটসিগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না ৱিন্নর ওইখি



**লোঙজম শান্তিকুমার**
*রগবী কোচ*

*ঙরাংগী মখা*

অসুম্না হৌরকপা মতমসিদদি ফেদরেসনগী কাংবুগসু তোইনা লোইনজদুনা রগবী মশান্নসিগী মতাংদা চৎনবা রুলস এন্দ রেগ্যুলেসনগী মতাংদসু ট্রেনিং মচা মচা খরা তৌজরকখি। অঙাংশিংদাকরম্বা ট্রেনিংপীগদগে হায়বগী মতাংদা খঙদবা য়াদবা কাংলোনশিং তম্লকখি। ঐখোয়গী ওইনা মমাংঙৈদগী লৈজরকপা য়ুবী লাকপীগী মতাংদসু মখোয়দা ৱারী লিজরমখি। অমরোমদা, য়ুবী লাকপীনবু হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। য়ুবী লাকপীদদি ইন্দিভিজুয়েল ওইনা অঙম তান্নরগা নুমিৎতুগী ওইনা থোরকপা মী ১০বু ওইরো ২০বু ওইরো লোইনমক্তু থেক্নরগা ফমদুনা লৈরিবা নিংথৌদা কৎতুনা খ্বাইদগী থৌনা ফবা, হৈশিংবা অকনবনি হায়বদু উৎকদৌরিবনি। রগবীগীনা মীচঙ খায়দোক্নরগা প্লেয়র তরেৎ তরেৎনা শান্নবা অদুগুম্বা মশান্না অমনি। অদুগা শান্নগদবা মতম্না মিনট তরেৎ/তরেৎনি। মরক্তা মিনট মঙা হাফ থাগনি। রগবী বোল অসিদি লেদরগী নুংশিৎ হাল্লগা শান্নগদবা অদুগুম্বা মখলগী বোলনি। য়ুবী লাকপী হায়বদুদি শোক্ন বগী চাংসু য়াম্না ৱাংবা, য়ুবীসিদা থাউ সু অমুক তৈশিল্লবনিনা শান্নবদা চেকশিন্নীংঙাইসু হেন্না ওই। ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা য়ুবী লাকপীদা শীজিন্নরম্বা টেক্নিক টেক্টিস ময়ামসি রগবীদা ঐখোয়না শীজিন্নবা ঙম্লবদি শোইদনা মায় পাকপা ঙমগনি।

রগবী এসোসিয়েসন শেম্লবা মতুংদগীদি ফেদরেসন্না শীনবা চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী টিম ১৯৯৮দগী লেপ্তুনা শরুক য়াজরকখি। লোয়নন্না ষ্টেট লেভেলগী ওইনা শিনবা চেম্পিয়নশিপ্তসু টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চাং নাইনা পাঙথোরকখি। অসুম্না মথং মথং চত্থরকপনা রগবী মশান্নসি মণিপুরগী মীয়ামদা শক্তাকপা ঙম্মনবগীদমক 'অহুম্লকশুবা সিনিয়র রগবী চেম্পিয়নশিপ' অসি মণিপুরদা শিন্ননবা ফেদরেসন্দগী অয়াবা লৌজখি। মরিপুর ষ্টেটনা মশান্নসিদা থৱায় য়াওরকপদু উবদা ফেদরেসনগী কাংবুনসু অয়াবা পীবিরকখি। অদুদগী ২০০১গী ফেব্রুৱারি ২১দগী ২৬ ফাওবা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা 'থার্ড সিনিয়র নেসনল রগবী চেম্পিয়নশিপ' পাঙথোকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী টিম অনীমক্না ৱিন্নর লৌবা ঙমহৌখি। মসিদগী মখা চত্থরকপদসু মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না ৱিন্নর কয়ারক লৌবা ঙম্লকখি। ২০০৪দা অগ্রাদা তৌখিবা মরিশুবা সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তসু মণিপুরগী মেন অমদি ৱিমেন টিম্না ৱিন্নর ওইরকখি। ২০০৭তা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা সিনিয়র ফেদরেসন কপতসু মণিপুরগী নুপা অমদি নুপীগী টিম্না ৱিন্নর লৌরকখি। মণিপুরী নুপীশিংনা রগবী মশান্না শরুক য়ারকখিবা অসিদি ২০০১দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'থার্ড সিনিয়র নেসনল রগবী চেম্পিয়নশিপ' অসিদগীনি।



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## রগবীদা মীৎয়েং অমা

রগবী হায়রিবা মশান্না অসিগী মতাংদা খরদং পনবা য়াবা ৱাফমদি, হান্নদি গেম মখল অসি প্লেয়র ১৫/১৫না শান্নরম্বগী ৱাফম লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্তী গেমসি প্লেয়র তরেৎ তরেৎনা শান্নরে। মিনট তরেৎ/তরেৎ পুন্না ১৪দা টিম অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নবসিদা হাফ মতম্না মিনট ৫ মরক্তা লৈগনি। রগবীগী প্লেয়রশিংদি তঙাইফদনা মশা-মউ কন্দবদি য়াদ্রে। টিং-য়াঙ চুম্বা মপাঙ্গল কনবা, মরিল লৈবা, মখোঙ-মখুৎ শিংবা, মমিৎ-মনা হৈশিংবা নত্রবদি শান্নবসু পাক ঙম্লোই। নমখায়নবা, থেক্নবদা অরৈবা মপাঙ্গল ফুদোকপা ঙম্বা অমা চঙই। মৈতৈ ইপা-ইপুনা শান্নরকখিবা থাঙ-তাগী শরিৎ-শরাক হায়বগদু ফজনা এপ্লাই তৌবা ঙম্লবদি 'রগবী'দা মণিপুরী মচাশিংসু নিংথিনা মফম কনবা শোইদনা ঙমগনি। অদুবু চাউখ্রবা গ্রাউন্দদুনা সুপ্নগী প্লেয়র ৭/৭না থুংনবা চেল্লগা শান্নরকপা হায়বসি তরাইবদি নত্তে। তশেংনা হায়জরগদি রগবীসি য়াম্না ৱাবা গেম অমনি। রগবী হায়বা মশান্নসি হৌজিক্ত নেসনল গেমসতসু ক্বালিফাই ওইরে। এসিয়ন গেমসতসু ইন্দিয়া অসি ক্বালিফাইদ ওইবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লে। লোইনন্না ৱর্ল্ড কপসিসু হন্দক্তী জপানন্না হোষ্ট টিম ওইনা শিনগদৌরি। হায়রিবা মমিং লৈরবা 'গেমস'শিং অসিদা য়াওবা ঙম্মনবা 'মণিপুর টিম' সু খুমন লম্পাক্তা অকনবা ট্রেনিং মমাঙ থাদগী চত্থরক্লি। অহানবা ওইনা চহীসিগী নবেম্বর থাদা গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা 'নেসনল গেমস'তা শরুক য়াবা ঙম্মনবা পাটনাদা জুলাই থাগী অরোইবা চয়োলদা তৌগদৌরিবা নেসনল গেমস ক্বালিফাইদ রাউন্দ শান্নরুনবা মণিপুর টিম থা অসিগী ১৫দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। পুন্না টিম ২৫না শরুক য়াগদৌরিবা ক্বালিফাইদ রাউন্দ অদুদগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম নীপান/নীপান (গোৱা য়াওরগা) খনগনি হায়রি। হায়রিবা টিম নীপান অসিনা নেসনল গেমসতা লম্বা তৌনহল্লবা মতুংদা অফবা প্লেয়র খঙ্গৎলগা, ইন্দিয়াগী ওইনা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারুগদবা টিমসু খনগদৌরি। -মথং-মথং-

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে?

২) মহাক্না হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙম্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্না শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্না সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।



৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে?

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী হোক্কি শান্নরোয় কবানেগনা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংদা ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ
ওষ্ট্রেলিয়াগী হোক্কি শান্নরোয় ফর্গস কবানেগনা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী দিফেন্দরশিংগা নুমিৎ ৭নি ওইবা কেম্প অমা ঙসিদগী বেঙ্গালুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা পাঙথোকপা হৌখ্রে।



পনবা য়াই ফর্গস কবানেগ অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম্না ৱর্ল্ড কপ টাইটল অনীরক লৌখিবদা দিফেন্দর অমা ওইনা শরুক য়াখিবনি। কুমজা ২০১০দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ অমসুং নেদরলেন্দসগী হেগ সিটিদা কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা ওষ্ট্রেলিয়ানা টাইটল ফংখিবনি।

মদুদসু নত্তনা কুমজা ২০০৮-দগীনা ২০১২ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা থংন-থংননা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি টাইটল লৌখিবা অদুগা কুমজা ২০১৪দা ভুবনেশ্বরগা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদসু ওষ্ট্রেলিয়ানা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুদা মরু ওইবা দিফেন্দর অমা ওইনা শরুকয়াখি।

মহাকপু হোক্কি ইন্দিয়ানা পাইখৎলকপা লৈবাক অসিগী হোক্কি টিমগী দিফেন্দরশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎনবা লৌখৎখিবা তাংকক অমা ওইখি। ইন্দিয়াগী চীফ কোচ গ্রাহম রিদনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না ইন্দিয়াগী দিফেন্দর ১৪গবু চয়োল অমা ট্রেনিং পীগদৌরিবা অসিনা য়াম্না কান্নবা ফংলগনি হায়খি। মখোয় ১৪গী মনুংদা মণিরপুরদগী হৌখিবা কোথাজিৎসু য়াওরি।

# ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপ কনাদা ওপন বেদমিন্টনগী ফাইনেল মেচতা চাইনাগী লি শি ফেংগী মখুত্তা মায়থীবা নংখ্রে

কালগেরি, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ
কনাদাগী সিটি কালগেরিগা পাঙথোরকপা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা লৈবা সুপর ১০০টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কনাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পরুপলি কশ্যপ চাইনাগী শান্নরোয় লি শি ফেংগী মখুত্তা মায়থীহৌদুনা রন্নর্সঅপ তাখ্রে।




কনাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপাগী শান্নরোয় অহুম শরক য়ারকপদা সৌরব বর্ম্মা অমসুং অজয় জয়ারাম মায়থীহৌরগা পরুপলি কশ্যপ মথন্তা লৈহৌবনি।

কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা কশ্যপনা কনাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোয় রেন পেঙ বোগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না অকনবা মেচ অদুদা ২৩-২১, ২১-২৩, ২১-১৯দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ক্বার্টরফাইনেলদা কশ্যপনা ফ্রান্সকী শান্নরোয় লুকাস ক্লেয়রবোটকা থেংনখিবদা গেম অহুম চঙনা অকনবা মেচ অমা শান্নখি। মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা অহানবা গেম অদু ১২-২১দা মায়থীরবসু অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেম অদুদা ২৩-২১, ২৪-২২দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী কম্মনৱেলথ চেম্পিয়ন কশ্যপনা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগা অকনাবা লম্বা তৌনখিবদা ১৪-২১, ২১-১৭, ২১-১৮দা মায়পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা কনাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ইন্দিয়াগী পরুপলি কশ্যপনা চাইনাগী লি শি ফেঙগা লম্বা তৌনখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা কশ্যপনা ২২-২০দা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাখি। অদুবু চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা মখাতাবা গেম অনীদা ফজবা হেনখিবদগী ২১-১৪, ২১-১৭তা থোইবা ঙমখিবগী কনাদা ওপন বেদমিন্টন টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থীহৌরবা পরুপলি কশ্যপনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সুপর ৩০০গী থাক্তা লৈবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উত্তুনা কনাদা ওপনগী রিজল্ট অসিদগী হেন্না ফজবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা কশ্যপনা ইন্দিয়াগী এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়ন লক্ষ্য সেনগা লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন সৌরব ভর্ম্মসু শরুকয়াদুনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী টোবি পেন্টিগা শান্নগৌরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অজয় জয়ারামনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগা লম্বা তৌনগদৌরি। য়ু এস ওপন বেদমিন্টন অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অনুরা প্রভুদেসাই অমসুং প্রিয়া কুদ্রাভালি শরুক য়ারি। অদুগা নুপাগী দবলসতা মনু অট্রি অমসুং বি সুমিথ রেদিনা অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী লি য়োং দে অমসুং য়ু য়িওন সিওংগা শান্নরগনি।

# মেক্সিকোনা য়ু এস এবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা কোনকাকেপ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

চিকাগো, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ
কোষ্টা রিকা, য়ু এস এ অমসুং জমাইকানা পূন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা কোনকাকেপ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল মেচতা মেক্সিকোনা য়ু এস এবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।




য়ু এস এগী চিকাগো সিটিদা লৈবা সোলজর ফিল্ড ফুটবোল গ্রাউন্দা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোনকাকেপ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুদা য়ুম্বু য়ু এস এ অমসুং য়ুল্লোন্নবা লৈবাক মেক্সিকোগা লম্বা তৌনখি।

নীংশিংবা য়াই য়ু এস এনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা অফ্রিকাগী চেম্পিয়ন টিম অমা ওইরিবা জমাইকাবু য়াম্না হেন্না মওংদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা মেক্সিকোনা মখোয়গী সেমীফাইনেল মেচতা হায়টিগা শান্নবদা লমবা য়াম্না মান্নখিবনা অপীবা মতম মিনট ৯০দা মায়পাকপা ঙম্নখিদবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা মেক্সিকোগী মায়কৈদগী এক্সত্রা টাইম অদুগী অঙনবা শরুক্তা খুদোংচাবা অমা ফংখিবা অদু পেনাল্টি ওইখিদুপনা তাঞ্জা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জি মেনেজনা ৯৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়ু এস এবু মখোয়না পাঞ্জল ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

এক্সত্রা টাইম অদুগী মখা তারকপা অহানবা হাফ অদুদা য়ু এস এনা ইক্কোলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈখি। এক্সত্রা টাইম অদুগী অনীশুবা হাফ অদুদসু য়ু এস এগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেক্সিকোগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু মায়পাকপা ঙমখিদবদগী কোনকাকেপ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী টাইটল অদু মেক্সিকোনা য়ু এস এবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টাইচল লৌবা ঙমখি। পনবা য়াই য়ু এস এগী নুপীগী টিম্না ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসপু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। মখোয়না ঙরাং ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী নুপী এথলেট হিমা দাসনা চয়োল অসিগী মনুংদা অনীরক শুবা ইন্টর্নেসনল গোল্ড মেদল লৌখ্রে

কুটনো, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ
পোলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা কুটনো থলেটিক্স মিটতা ইন্দিয়াগী নুপী এথলেট হিমা দাসনা চয়োল অসিগী মনুংদা অনীরকশুবা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।




কুটনো এথলেটিক মিট অদুগী ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২০০গী কম্পিটিসনদা সেকেন্দ ২৩.৯৭ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলেট ভি কে বিসময়ানা সেকেন্দ ২৪.০৬তা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

হিমা দাসনা ঙরাংগী কুটনো এথলেটিক মিট অদুদা মিটর ২০০গী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অদুগী মাংওইনন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পোলেন্দগী অতোপ্পা সিটি পোজনানদা পাঙথোকখিবা এথলেটিক গ্রান্দ প্রি মিটতা চপ মান্নবা ইভেন্ট অদুদা সেকেন্দ ২৩.৬৫ চেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলেট ভি কে বিসময়ানা সেকেন্দ ২৩.৭৫ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। নীংশিংবা য়াই, হিমা দাস মিটর ৪০০গী ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরিবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী রেকোর্দসু থম্বা ঙম্লিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা কুটনো এথলেটিক মিট অদু হিমা দাসনা পোজনান গ্রান্দ প্রিদা চেনখিবা মিটর ২০০গী মতম অদুগা য়েংনরুবদা খরা হন্থখি। মহাক হৌখিবা থা খরা অসিদা মখ্বাং শোক্তুনা লৈরিবনি।

কুটনো এথলেটিক মিট অদুদা নুপাগী মিটর ২০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এথলেট মহমদ অনাসনা সেকেন্দ ২১.১৮দা গোল্ড মেদল লৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নিরমল তোমনা সেকেন্দর ২১.৬৬তা সিলভর লৌখি।

# অনন্দ ক্রোসিয়া চেছ টুরদা ৯শুবা তাখ্রে

জাগ্রেব, জুলাই ০৮ (এজেন্সী)ঃ
ক্রোসিয়াগী কোনুং জাগ্রেবতা পাঙথোকপা ক্রোসিয়া গ্রান্দ চেছ টুরদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দ মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা ৯শুবা পোজিসন তাখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা টুর অদুগী অরোইবা অমদি ১১শুবা রাউন্দ অদুদা ৱর্ল্ড টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন অনন্দনা য়ু এস এগী শান্নরোয় হিকারু নকামুরাগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা ৯ শুবা পোজিসন তাখিবনি।

ক্রোসিয়া গ্রান্দ চেছ টুর অসিগী টাইটল অদুনা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ১ অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা নোৱেগী মেগনস কার্লসনন্না পোইন্ট ৮ ফংলগা লৌবা ঙমখি। মহাক্না অরোইবা রাউন্দ অদুদা ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম বাসিয়র লাগ্রেবপু মায়থীবা পীরগা টাইটল অদু ফংখি। য়ু এস এগী ৱেষ্টি সোনা পোইন্ট ৭ ফংলগা অনীশুবা তাখি।

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 335/AS&SO/TBL, Dt. 27/6/2019**

Saikhom Sargam S/o (L) Tomba Singh of Khangabok Khullakpam Leikai. - Applicant

Vs

1. (Late) Saikhom Tomba Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khangabok -Co-pattadar No. 1
2. (Late) Saikhom Leima Devi D/o (L) Tomba Singh of Khangabok Khullakpam Leikai, Co-pattadar No. 5 -Opp.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 08/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ১৯৩৪ (অরিবা), পাট্টা নং ৩১৮১ (অনৌবা), দাগ নং ৪৪৮২গী এরিয়া .১৩৭৬ হেক্তর চাউবা ইন্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো:পাট্টাদার ১শুবা অমদি ৫শুবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদার অনীগী মমিং কক্লগা মৃ: পাট্টাদার ১শুবগী এরিয়া .০৬৯০ হেক্তরগী লম অমসুং মৃ: পাট্টাদার ৫শুবগী এরিয়া .০০৪০ হেক্তরগী লম অসি দংকারি সাইখোম সারগমগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

***Sd/- M. Ningthembi Singh***
Asstt. Survey and Settlement Officer,
TBL., Govt. of Manipur

HL-P/3355/9

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 347/AS&SO/TBL, Dt. 05/7/2019**

1) Khundrakpam Shanou Devi W/o (Late) Kh. Achouba Singh of Khangabok Khullakpam Leikai.
2) Kh. Santosh Singh S/o (L) -do- of -do-
3) Kh. Sanathoi Singh S/o (L) -do- of -do- -Applicants

Vs

(Late) Khundrakpam Achouba Singh S/o Kh. Anganghal Singh of Khangabok Palli Leikai. -OP.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 08/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক্কী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ২৫৩৭ (অরিবা), পাট্টা নং ৭০১ (অনৌবা), দাগ নং ৫৪৩৬ এরিয়া অপূনবা হেক্তর .২৭২৫ চাউবা ইন্খোল অসিগী মনুংদগী হেক্তর .০৪৪৫ অসি কো: পাট্টাদার নং ১গী শরুকনি। কো:পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদার নং ১গী মমিং কক্লগা মাগী নুপী অমসুং মচা নুপা অনী (২) গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

***Sd/- M. Ningthembi Singh***
Asstt. Survey and Settlement Officer,
TBL., Govt. of Manipur

HL-P/3354/9

**ꯆꯦꯛꯁꯥ/CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of HSLC Old Course Examination 2007 bearing Roll No. 3181 issued by BOSEM on the way from Chingmeirong to Lamphel on 5/7/2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Pangmei Geeta Rongmei**
Chingmeirong Lei Ingkhol

HL-P/3356/9

**ꯉꯥꯅꯨ/ ঙানু মচা হোঙনা ফংবীগনি**

নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী Khagi ঙানু, Muksan, White Pekkin মচা হোঙনা ফংবীগনি। ফার্মরশিংনা এদভান্স বুক্কিং তৌবীয়ু। থাংজ নুমিৎ খুদিংগী ঙানু মরূম, য়েন মরূম হাপ্পগী খুদোংচাবা ফংবীগনি।

লেঙশিনবীরকসি:-
**EMOINU HATCHERY**
Near BSNL & POSTAL COLONY, EASTERN GROUND ROAD, Palace Compound, Ph. 9436085117/8837210261

HL-P/3353/9